**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য সরকারনা ফাগৎলকখিবা লুপা কোতি ৩৯ লাখ ৯৮ লিশিং ৭১,৬০০ কী মমল ওইগদবা ড্রগশিং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসি মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখ্রে।

২) মনিপুরদা হয়েং ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরম পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শারে।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, মন্ত্রিশিং য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৩) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মীওই ৭ তা রাজ্য অসিদা অহানবা ওইনা পুথোকপা মাইয়ো ইলেক্ট্রিক হেন্দ অমদি মোতোরাইজ হ্বিল চেয়ার ঙসি খুৎশিন্নখ্রে।

৪) লৈবাক্কী অতে মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি ১৫ শুবা নেসনেল ভোটরস ডেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- মালেমগী ওইনা অঙৈং অশাগী খল কায়রক্লিবা অসি মীয়াম পুন্না থেংনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

------

সিএম (এল)ঃ  রাজ্য সরকারনা ময়াই কাবা ড্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা নার্কোতিক্স এন্দ এফ্যারস ওফ বোর্দরনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথখিবা দ্রাইভতা ফাগৎলকখিবা লুপা কোতি ৩৯ লাখ ৯৮ লিশিং ৭১,৬০০ কী মমল ওইগদবা ড্রগশিং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসি মৈ থাদোক্লুনা মাংহনখ্রে।

কিলোগ্রাম ৩১৪ হেনবা ময়াই কাবা ড্রগ মৈ থাদুনা মাংহনখিবা অদুগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- সরকার অসিগী ৱার ওন ড্রগসকী শরুক অমা ওইনা মণিপুর পুলিস অমসুং নাবনা ড্রগকী নেটৱার্ক কয়া থুগাইখ্রে। মদুদা চেন্নরম্বা মীওই কয়ানা ফাগৎতুনা আইনগী ওইবা চৈরাক পীখি। মসিগীসু মথক্তা ড্রগতা লাইচুরবা মীওই কয়া রিহেবিলিটেসন সেন্তরশিংদা থমদুনা লায়েং চথখি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা ৱার ওন ড্রগসকী খোঙথাং অসি হেক লৌখৎলকপদগী মাইকৈ কয়াদগী শিংনবা কয়া মায়োকদুনা লাক্লি। ঙসি রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিসু ড্রগ য়োনবা অমদি পোপি থাবদা অথিংবা পীরুবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। শ্রী বিরেন্না মখা তানা হায়- সরকার অসিনা পোপি থারিবশিংগী মথক্তা দ্রাইভ কয়া লেপ্তুনা চথখিগনি। অদুবু হৌজিক লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা ড্রগ লল্লোনবশিংনা চাংগী লমদা পোপি থাবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। মসিদা সরকার অসিনসু নিংহন্নবা তৌদুনা সেন্ত্রেল ফোর্স অমদি ষ্টেট ফোর্স খুৎশমদুনা পোপি মাংহনবগী থবক চথখিগনি। সরকার অসিনা ড্রগকী মায়োক্তা লৌখিবা ফিরেপ খোঙফম অমত্তা হনগদবা লৈতে।

ডে (এল)ঃ লৈবাক অসিদা ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে। মনিপুরদসু নুমিৎ অসি পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শারে।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী কংলাদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনগনি। তুংদা মার্চ পাস পেরেদকী সলামি ওক্কনি অমদি তোঙান তোঙানবা পুলিস মেদলশিং লাম্থোক্কনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি

নোংথোম্বম বিরেন্না না মার্চ পাস কন্টিঞ্জেন্ট অমদি শরুক য়ারিবশিংদা থাগৎ ৱাহেং থমগনি।

থৌরম অসি পাঙথোকপদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। হয়েং ইম্ফাল মনুংগী লম্বীশিংদা মীয়ামা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অহোংবা খরা লৈগনি।

ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিসকী এস.পি-প্রমেস অরাম্বমনা হায়- হয়েং গনতন্ত্র দিবসকা মরি লৈননা ইম্ফাল সহরগী অকোইবদা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি। গনতন্ত্র দিবসকী পালন থৌরমগী মাংওইননা অহোংবশিং অসি মীয়ামা ঙাকা চৎপীনবা মহাকা আপিল তৌরি।

মেসিজ (এল)ঃ লৈবাক অসিগী ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন নুমিৎনা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, মন্ত্রিশিং য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপালনা আজয় কুমার ভল্লানা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পীবা পাউজেলদা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেল পুনশিন্নদুনা লৈবাক অসিবু হেন্না চাওখৎপা, মপাঙ্গল লৈবা অমদি শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইননবা হোৎনমিন্নরশি। মহাকা হায়- ভারত অসি মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগী মরক্তা সাইন্স অমসুং টেকোলোজিল লমদা মাংজিল থাবা লৈবাক ওইরক্লি। মসি লৈবাক অসিগী নহাশিংগী থৌনাতনা মায় পাকহনবনি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মহাক্কী পাউজলেদা হায়- মীয়ামা সংবিধান্না পীরিবা হকশিং মমুৎ তানা খঙলবা মতমদা নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈগনি। মহাকা হায়- ভারতকী নাগরিকশিংদা পীরিবা হকশিং অসি অতৈ লৈবাকশিংদা লৈতে। মসিনা ঐখোয়গী ইথৌ অমদি দাইত্ব হেন্না খঙহন্দুনা লৈবাক অসিবু হেন্না মশক থোকহল্লিবনি।

আইন মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনসু ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন নুমিৎনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়- লৈবাক অসিদা গনতন্ত্র চৎনবা হৌখিবা অসিনা শেমগৎ শাগৎপা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা লমজিং মৈরা ওইদুনা লাক্লি। নুমিৎ

অসিনা লাকপদা লৈবাক অসিগীদমক থৌনা ফনা লান্থেংনখিবা ফ্রিদম ফাইটরশিং অমদি মীৎয়েং শানবা লুচিংবশিংবু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। গনতন্ত্র দিবস নুমিৎনা লাকপদা ঐখোয় পুমমকা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা, চাওখৎপা অমসুং শান্তি লৈবা মণিপুর অমা পুরকবা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নরশি। অমত্তা ওইবগী লিচিংনা হেন্না ফবা তুংলমচৎ অমা পুরকপা ঙমগনি হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

মহুদ মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনসু ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন নুমিৎনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

দিসএবিলিতিজ (এল)ঃ মণিপুরদা অহানবা ওইনা পুথোকপা মাইয়ো ইলেক্ট্রিক হেন্দ অমদি মোতোরাইজ হুইল চেয়ার ঙসি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মীওই ৭ তা খুৎশিন্নখ্রে।

কম্পোজিৎ সেন্তর ফোর স্কিল দিভলপমেন্ট রিহেবিলিতেসন, ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ মণিপুর অমসুং ষ্টেট কম্মিসন ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজনা শিন্দুনা সি.এম. সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা খুৎ নাম্মা মথৌ তৌবা ঙমদ্রবা মীওই মঙাদা মাইয়ো ইলেক্ট্রিক হেন্দ অমদি মীওই অনিদা মোতোরাইজ হুইল চেয়ার খুৎশিন্নখি। মাইয়ো ইলেক্ট্রিক হেন্দ পুথোক্লিবা লোকোমোসন হেলথ কেয়ারগী কো-ফাউন্দর অথোকপম য়োগেন অমসুং এসিষ্টেন্ট মেনেজর থোঙাম লেনিনদা মখা তানা অহেনবা পোখোক পুথোরকবা পুকিং থৌগৎলদুনা লুপা লাখ ৩০ গী শেন্থুং পীরগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা থাজবা পীখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মীওইবা অমা ওইনা পোক্লবদি মীনুংশি লৈগদবনি। মসিমকা সরকার অসিনা হেক লাকখিবদগী রাজ্য অসিদা লৈরিবা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা অমদি শোথারবশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাং স্কিমশিং হৌদোকখিবনি।

ভোটরস (এল)ঃ ভারত শিনবা থুংনা পাঙথোকবগুম ঙসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু ১৫ শুবা নেসনেল ভোটরস ডেগী থৌরম পাক শন্না

পাঙথোকখ্রে। চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার মণিপুরনা শিন্দুনা লমফেলপাৎতা লৈবা সি.ই.ওগী ওফিসতা নথিং লাইক ভোটিং, আই ভোৎ ফোর সিয়োর হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি প্রসান্ট কুমার, দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিস রাজিভ সিংহ অমসুং মণিপুরগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার প্রিদিপকুমার ঝানা মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা হন্দক্তা নৌনা ভোৎ থাদবা য়ারবা মীওইশিংদা ইলেক্সন ফোটো আইন্দেন্টি কার্দ অমদি ইপিক খুৎশিন্নবনা থৌরমগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি। লোয়ননা চহি ১০০ হেল্লবা ভোতরশিংবু ইকায় খুমবা উৎপদা নত্তনা নেসনেল ভোটরস ডেগী পুন্না ৱাশক লৌমিন্নখি।

অমরোমদা, থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার রাজিভ কুমারনা মীয়ামদা পীবা পাউজেলদা হৌখিবা লোক সভা মীখলদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিগী রিটর্নিং ওফিসার ওইখিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি.সি- টি.ঐচ. কিরনকুমার অমদি আউটরগী রিটর্নিং ওফিসার ওইখিবা থৌবাল জিলাগী দি.সি. অহন্থেম শুবাস অনিবু ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রসান্ট কুমারনা হায়- ভারতনা নীংখা তম্লকপা চহি ৭৫ মপুং ফাবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ভারতকী ওইনা ভোৎ থাদবা য়ারবা ভোতর কোতি ৯৯ লাখ ১ শুরে। মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগা খেন্নবা মীখল পাঙথোক্তুনা ভারতনা গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমনি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি। মহাকা হায়- হৌজিক হৌজিক ভারতকী অপুনবা ভোতর কোতি ৯৯ লৈরিবা অসিগী মনুংদা চহি ১৮ দগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ভোতর মশিংনা কোতি ২১ লাখ ৭ নি। ভারতকী মতিক চাবা নাগরিক অমা ওইনা গনতন্ত্রনা পীরিবা আধিকার অসি ঐখোয় খুদিংমকা লৌমিন্নদুনা গনতন্ত্রগী ৱাহন্থোক লৈহন্নবা হোৎনশি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী চীফ ইলেক্সন ওফিসার প্রদিপ কুমার ঝানা নেসনেল ভোতরস ডেনা লাকপদা মীয়ামা গনতন্ত্রনা পীরিবা আধিকার অসি মপুং ফানা লৌনবা আপীল তৌখি।

নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, ককচিং, থৌবাল, উখ্রুল, ফেরজোল তমেংলোং, চান্দেল জিলাশিংদসু  দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখি।

অমরোমদা, য়ুনাইতেদ কলেজ লম্বুং, সাউথ ইষ্ট মণিপুর কলেজ-কোম্লাথাবী, রিজনেল কলেজ- লিলোং চজিং অমদি কুম্বি কলেজগী এন.এস.এস য়ুনিতনা শিন্দুনা ঙসি কলেজ অসিদা নেসনেল ভোটরস ডেগী থৌরম পাঙথোকখি অমসুং ৱাশক লৌখি।

এমওএ (এল)ঃ   উত্তরাখন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমস ২০২৫ দা তোঙান তোঙানবা মশান্না ১৯ দা মণিপুরগী ওইনা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না য়াইফ মঙ্গোল পীখ্রে।

মণিপুল ওলিম্পিক এসোসিয়েসন অমসুং রাজ্য সরকারগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস বিভাগনা শিন্দুনা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গো, শিক্ষা মন্ত্রি টি.ঐচ. বসন্তকুমার অমসুং পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা শরুক য়াগদবা শান্নরোই ৩৯০ অমদি কোচ য়াওনা ওফিসিয়ে ৭০ দা মুখ্য মন্ত্রিনা য়াইফ মঙ্গোল পীখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- ইং কুমজা ১৯৯৯ দা রাজ্য অসিদা ৩০ শুবা নেসনেল গেমস পাঙথোকখ্রে। মখা তানা রাজ্য অসিদা অমুক হন্না পাঙথোকবা মরী লৈনবশিংগা তান্নরি। মহাকা হায়- শান্নরোইশিংনা য়ুমদা অহল লমনশিংদা থকশি খাসি লৈনা লোয়নগদবনি। লোয়ননা শান্নরোই অমগী পুন্সিদা নিংহন্নবা লৈতনা হোৎনবা চংই।

বেট লেন্দ ঃ   দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী মীৎয়েং মখাদা মহৈরোইশিংদা ৱেটলেন্দগী মতাংদ মপুং ফানা খঙহন্নবা ৱাখল্লোনদা ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দ ডেগা মরী লৈননা কলেজ লেবেল সিম্পোজিয়ম কম্পিতিসন অমা ঙসি টি.ঐচ. পোল মণিপুর ৱিমেন্স কলেজদা পাঙথোকখ্রে।

কলেজ অসিগী ইকো ক্লব, আই.কিউ.এ.সি অমদি ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকা খুৎশমদুনা শিনবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ক্ষেত্রিময়ুম দেবেন্দ্রনা হায়- ইরমদম অসিগী হান্না লৈজরম্বা পাৎ কয়া মাংশিল্লক্লি। মহৌশাগী খল কাইথরকপনা মরম ওইরগা মণিপুরগী য়ামা মরুওইবা পাৎ অমা ওইরিবা লোক্তাক্তা ফংলম্বা তাংলবা পাম্বী অমদি শা-উচেক কয়া মাংশিল্লক্লে। মরম অদুনা ঐখোয় পুমমকা মহৌশাগী খল অসি কায়হন্দনা থমবা অমদি পাৎ-তুরেলবু কন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

অমরোমদা, খা মণিপুর কলেজ ককচিংগী ইকো ক্লব, আই.কিউ.এ.সি, ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স য়ুনিত, এন.সি.সি অমসুং এন.এস.এস য়ুনিত-ৱান অমদি টুনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দ ডেগা মরী লৈননা কলেজ লেবেল সিম্পোজিয়ম কম্পিতিসন পাঙথোকখি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- মালেমগী ওইনা অঙ্গৈং অশাগী খল কায়রক্লিবা অসি মীয়াম পুন্না থেংনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

লৈবাক অসিগী ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনগী মাংওইননা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা অকাশাবানি দুরদর্সনগী অতৈ চেন্নেলশিংদা পীবা মহাক্কী ৱারোলদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- মালেমগী থাক্তা ভারতনা মিসন লাইফ ষ্টাইল ফোর ইনভাইরোনমেন্ট মাস মুভমেন্ট অমা লুচিংলি। মসিনা লন্নাই মীওই নত্রগা কাংলুপগী ওইনসু ঐখোয়গী অকোইবদা লৈরিবশিংবু ঙাক শেন্নবা অমসুং মাংহন্দনা থম্বদা মাংজিল থানা থবক তৌননবা ঈথিল পীরি। মহাকা হায়- এক পের মাকে নাম কেম্পেনগী মখাদা উ চারা কোতি ৮০ থাখি। অসিগুম্বা অফবা অনৌবা খোঙথাংশিং অসি মখা তানা পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

আর্মরেস্লিং(এল)ঃ মণিপুর আর্মরেস্লিং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চথরকখিবা ৩৯ শুবা আর্মরেস্লিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট আর্মদ রেষ্টলিং এসোসিয়েসন্না টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

আর্মদ রেষ্টলিং এসোসিয়েসন্না টিম রন্নর ওইখি। চেম্পিয়নসিপ অসিগী জ়নিয়র বোইজগী কাংলুপ্তা ইম্ফাল ইষ্টকী নিকোলাস থৌনাউজম, জ়নিয়র গার্লসতা বিষ্ণুপুরগী লনচেনবী, নুপাগী সেনিয়র কাংলুপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শঞ্জিৎকুমার অমসুং নুপীগী সেনিয়রদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী রানি দেবীনা চেম্পিয়ন ওফ দ চেম্পিয়ন তাখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চত্থরিবা ২১ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু রন ১২২ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ ৯ শুবা এম.এন.সি.এ- দব্লিউ. প্রহ্লাদা অমসুং দব্লিউ রামানন্দ ইলিট তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি মোদেল হায়র সেকন্দরি অমসুং ওরিয়েন্তেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা মোদেল শিংজমৈ চীংঙামখানা সি.আর.এ.য়ু খমাম বজারবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দ থৌবালদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা রেজখ্বাই নাগামপাল লমাবম লৈকাইনা এস..সি.সি.সি শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু ৱিকেট ৪ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ ২ শুবা এম.এন.সি.এ ৱিমেন্স অন্দর ফিফতিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি পি.সি.সি গ্রাউন্দ ময়াইকোইবীদা শান্নখিবা মেটচতা পি.সি.সি(দব্লিউ) ময়াই কোইবীনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সিবু রন ২৯৬ তা থোইখ্রে। থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা অল আমিন লিলোংনা এম.পি.এ থৌনাউজমবু রন ৬৭ তা থোইখি।

------